


থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# তূম্লুরসু ঐখোয়বু নোংমদি মীকপ থোকখিদা!

ঙসি এপ্রিল তারিখ ১০, ২০১৯ - য়ুমশকৈশা নুমিৎ, ২০১৯ পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা নোংম ৱাংলিঙৈ -মীরেপ ওইরিবশিং অমদি ভোট থাদনগদবশিং খ্বাইদগী মীহুল চেঙ্গুম চেঙ্গানবা নুমিৎনি। কেন্দিদেট (মীরেপ) ওইরিবশিংনা ৱারিবনা - 'ঐনা হায়জ চৎচ তৌরুবা, ঙমজবা মমল অমা লেপ্তুনা লৈগে শেল য়েন্থোক্লুরবশিংদুনবু ঐঙোন্দা শোয়দনা পীবিরক্কদ্রা'? হায়বা ৱাখল অদুগী। ভোটরশিংনা লাংতক্লরিবনা



পার্লিয়ামেন্ট'কী ইলেক্সনবু ওইরবসু, ষ্টেটশিংদা পাঙথোকপা এসেমব্লিগী ইলেক্সনবু ওইরবসু পাঙথোক্লদৌরিবা মীখলদুগী মাঙওইননা, পোলিটিকল পার্টি ময়াম্না ওইদ'-ৱাশক পরেং অমা লেংথোক্লগা ফোঙদোক্তুনা ভোট্তরশিংনা মখোয়দা ভোট পীনীংনবা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনবা- মমাঙঙৈদই চৎনরকই। অদুগুম্বা ৱাশক পরেং অদুবু কৌই 'মেনিফেষ্টো'। ইলেক্সন মেনিফেষ্টো হায়বসি অচৌবা (মেজোর) পোলিটিকল পার্টিশিংগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইনা লৌনৈ। পার্টিদুগী ৱাখল লৈবা, থিঙ্ক-টেঙ্ক ওইবা লুচিংবশিং কোক চুংশিন্নদুনা মতম চঙনা, ৱাখল খল্লগা পুথোক্নৈ। ইলেক্সনদুদা মায় পাক্লকপা থোক্তুনা লৈঙাক পায়রকপা থোক্লগদি ৱাশক পরেং অদুদা করি করি য়াওখিবগে? মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নফম ওইরকই, লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংনসু নীংশিংদবা ঙম্লক্তে। লৈঙাক পায়বা ঙমহৌদবা থোক্লগনা হায়দোকখিবা ৱাফমশিংদু 'হিংচাবীগী শরী' ওইহৌবা।

ঙসি, করিদগীনো খঙদে ৱাখলসিদা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোগী ৱা নীংশিংলকই। মমাঙগী মীখলশিংদদি থোইনা নীংশিংলুদবনি। ভোট ময়াদা পোলিটিসিয়নশিংনা শকপা ৱাশকপু ৱা ওইনা লৌবা হৌনবরা? হায়বা মীয়াম্না খন্নবা ৱাখলদু ঐসু খন্দুনা লৈথোক্লুই। ইশামক্না য়াওরম্বা পোলিটিকল পার্টি খরগী (নেসনল পার্টি, ষ্টেট য়ুনিটকী) পোর্টফোলিও দ্রাফ্‌ট তৌবদসু য়াওজরুরে মমাঙদা। ঐখোয় মরি/মঙা পূল্লগা 'করি করি হায়সিগে... অতোপ্পনা করি হায়নখ্রে...' খন্নরগা পঙশেম শেমজিন্নে। ইলেক্সনদু লোইখ্রগা 'করি করি হায়খ্রবগে' কনানসু নীংশিংনদে। হন্দক নোর্থ-ইষ্ট'তা ৱাথোক ওইখিবা, তুংদসু ওইখিদৌরিবা 'সী এ বিল' (সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল) গী মতাং অদুদা বি জে পি'গী মমাঙগী (২০১৪ ইলেক্সনগী) মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবগী টর্ম অদু লোইদ্রিঙৈদা পুথোকহৌদ' য়াদবগী পুথোকপনি - হায়নখিবদু নীংশিংলকপদগী হন্দক্কীসিসু য়েংনীংলকপনি। কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলগী বি জে পিগী মেনিফেষ্টো লমায় তরাখক পানখিবনি। হন্দক্কীদি পাক পুথোরকখিদে, ঙরাংতমক (এপ্রিল ৮) পুথোক্লকখি। কোংগ্রেসকীনা হান্না পুথোক্লকখি। লামায় ৫৪ পানবা অচৌবা ৱাশক চবুন অমনি। মমাঙদা তমথীনা মায়থীখিবা অদুদা হন্দকমুক্তি শোয়দনা লৈঙাক-শক্তি পায়রগে হায়বই পান্দমদা লায়রবা মীচম-মীয়াম অমদি লৌমীশিংগী ভোট ফংনবগী টার্গেট তৌদুনা শেন্নকপা ৱাশক ময়ামনি। য়ু পি, বিহারনচিংবদা লৈরিবা পৎ-তৎনা লায়রবা, নোংমই চরা অমখক্কীদমক পঞ্জাও অমা মায়োক্নবগুম থোক্লিবা মখোয়দদি লাইগী থৌজালমক্লি খনগদবা ৱা কয়া অমনি। ওইনি-ওইরোই খঙদবা, ওইথোক্ল বা লম্বীসু উদবা ৱাশকশিংদু তাবদা লাইরেন মতুং ঙা ইনবগুম ভোট্তর কয়া ওরো রো রো মতুং হেক্তা ইন্নবনি। চহীদা মীওই ক্রোর অনী-অনী থবক পীগনি ৱাশক্লু বা নরেন্দ্র করি শারে হৌজিক্তি? শোয়দনা ওইথোক্কদবা, মীয়াম্নসু পেঞ্জবা ৱাশক কয়া অমই মথক্তা ওইথোকহনবা ৱাগদবা কয়া অমসুনি। অদুগা শুকওই ওইথোক্লরোইদবা খজিক্তং খন্থরুবদা অচৌবা তাৎনি খঙলবা ৱাফমসু য়াওরিবনিদো! লায়রবা মীওই (ইমুং) ক্রোর মঙাদা চহীদা লুপা ৭২,০০০ 'ন্যনতম আয়' (খ্বাইদগী য়ামদবা ইনকম, ন্যায়), মতেং ওইনা পীগনি লাউথোকপা চহীদা লুপা ক্রোর লাক্ষ অহুম লিশীং হুম্ফুতরাতরুক কদাইদই লৌরুবা শেনফম্না পীগদৌরিবা? ফোরেন'দা লৈখিবা ব্লেক মনি, ইন্দিয়াদা পুশিল্লক্লবদি মীকোক অমদা লাক্ষ তরামঙা থুংনগনি - হায়খিবদুগুম্বনি। অদুগুম্বা ৱাদা পঙথগুমসি ঐখোয়দি।

হোয়! নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না খন্থবা য়াবা অমত্তংদি - কোংগ্রেস মেনিফেষ্টোদা সী এ বিল শুকচৎ চৎনহল্লোই হায়রগা বি জে পিগী মেনিফেষ্টো'দনা তরানিতোইশুবা ৱারোল ওইনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল শোয়দনা চৎনহনগনি ৱাশকপা অসিনি। মখা তানবুদি পল্লি- অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না চিংনরিবসি কোক্লবা মখোয়না হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংবুদি শোয়দনা ঙাক শেনগনি। মতাং অসি য়ৌরবদি মখা তানা ৱাফংনরুবগী কান্নবা লৈত্রে - খল্লি ঐগী ৱাখলসিনদি। ভোট্তর ওইরিবা মীয়াম্না খঙনা মথৌ তৌজরক্লনি।

মেনিফেষ্টো - হায়বসি মেনিফেষ্টো হায়বা লেটিন ৱাহৈদুদই ইংলিসনা পূবনি। ৱাহন্থোক্তি - তশেং-তশেং, ময়েক শেংনা খঙহনবা হায়বনি। পোলিটিক্সকী লম্‌দা শীজিন্নবসি নত্তবা (পোলিটিকল মেনিফেষ্টো নত্তবা), এদ্যুকেসন মেনিফেষ্টো, আর্টিষ্টিক মেনিফেষ্টো, সাইন্টিফিক মেনিফেষ্টো, প্রোফেসনেল অমদি টেক্নোলোজি মেনিফেষ্টো অসিনচিংবা মশীং খঙদ্রবা পেপর/দোক্যুমেন্ট/লাইরিক লৈ। কার্ল মার্ক্স অমদি ফ্রেদরিক এঞ্জেলনা ইরম্বা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো-ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টো নত্তে। অদুবু, ঙসিগী ওইনা তমজরিবা পাউদমসিগা মরী লৈননা, লোক

লৌশিং পুক্কে

# য়ু থক্লগা ঈশিং খৌরাংহল্লকপগী মরম

মীওইবনা অথুম্বা চীঞ্জাক চারুবা নৎত্রগা য়ু থক্লুরবা মতুংদা ঈশিং খৌরাংবা ফাওহল্লকপগী মরম পুথোকপা ঙমখ্রে। ''সোল মেটাবোলিজম'' জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা সাইন্টিষ্টশিংনা হায়, চিনি য়াওবা অথুম্বা চীঞ্জাক চারুবা, নৎত্রগা য়ু থক্লুবা মতমদা ফাইব্রোব্লাষ্ট গ্রোথ ফেক্টর ২১ (এফ জি এফ ২১) কৌবা লিভরগী হোর্মোন অমনা হাইপোথেলামস কৌবা ব্রেনগী অখন্নবা শরুক অমা মথৌ তৌহন্দুনা ঈশিং খৌরাংবা ফাওহল্লকপনি। মসিনা মরম ওইরগা দিহাইদ্রেসন তৌহন্দে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথ ৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরগী ষ্টিভন ক্লিৱরনা হায়, মীওইবনা অথুম্বা চীঞ্জাক চারুবা নৎত্রগা য়ু থক্লুবা মতমদা হকচাং মনুংগী মহী অয়াম্বা মাঙহনখি। মদুনা মরম ওইরগা দিহাইদ্রেসন তৌহল্লকপা য়াই। অদুবু লিভরদা য়াওবা এফ জি এফ ২১ হোর্মোননা ব্রেনদা পাউ পীদুনা ঈশিং খৌরাংবা ফাওহল্লকই অমসুং ঈশিং থকচিল্লি। মতৌ অসুম্না দিহাইদ্রেসন তৌহন্দবনি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্সরশিংনা মীওই ২১ খনগৎলগা মীওই খরদা য়ুগা হৈ মহীগা য়ানরগা পীথক্লম্মী। মীওই খরদনা হৈ মহী খক পীথক্লম্মী। পুং ২ লৈরগা মীওইশিং অদুগী ঈদা য়াওবা এফ জি এফ ২১ ওন্দুনা য়েংবদা য়ু থকপা মীওইশিংদা চাং ৱাংনা য়াওরম্বা থেংনখি। মতম খরা লৈরগা হায়রিবা হোর্মোন মখল অসি শীজিন্নদুনা মীওইববু য়ু কা হেন্না থকহন্দনবা হীদাক পুথোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথ ৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরগী দেবিদ মেঞ্জেলসদোর্ফনা ফোঙদোকখি।



ঈশিং খৌরাংলবসু নৎত্রগা খৌরাংদ্রবসু মীওইবনা নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই। হকচাং মনুংগী মহী পুম্নমক নিংশা হোনবদা মনিল ওইনা চৎখিবা নৎত্রগা হুমাং ওইনা চৎখিবা মরম্না ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। অথুম্বা চীঞ্জাক চারুবা নৎত্রগা য়ু থক্লুবা তারবদি অমুক্কা হেন্না ঈশিং থকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়রি।

মীওইবনা হিংবদা খ্বাইদগী মথৌ তাবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিংসু অমনি। নোংমা ফাদোক চরা হেনবদি ঙম্বা য়াই। অদুবু খোঙ-খুৎ হাম্বদগী হৌরগা ঈরু-মায়থজবা, থকপা অমদি থোং-থাকপদা ঈশিং চঙবা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং শীজিন্নদবা ঙমদে।

ঈশিং হায়বসি মীওইবনা হিংবদা চঙদবা শুংয়ামক য়াদ্রবা পোৎলম অমনি। চাং নাইনা ঈশিং থকপনা হকচাংগী অঙ্গং-অশা খল কায়হন্দবগা লোয়ননা ওর্গান অমদি টিস্যু খুদিংমক মশা-মঔ ফনা লৈহনবদা মতেং পাংই। চীঞ্জাক্তা য়াওবা মিনরেল অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং তুমহনবা মরম্না হকচাংনা লৌশিনবা ঙম্মী।

ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাং মনুংদা য়াওবা অমোৎপশিং কিদনিনা পুথোকখিবা ঙম্মী। কিদনিগী মথৌসু ফগৎহল্লি। ঈশিং থক্তবদি কিদনিনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকপা ঙমদে। ঈশিংনা শরূ তাং-পুম্নমক লেঙথোক লেঙশিন তৌবা নুংঙাইহল্লি। লংসকী সেলশিংসু চোৎ-চোৎ লাউনা লৈহন্দুনা অফবা সেল ওইহল্লি। ঈশিং থকপনা চাবা তুমহল্লি অমসুং খোঙ হাম্বা নুংঙাইহল্লি। মসিনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা অমসুং ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই। য়া, উনসা, য়ারী-য়াখোঙ ফহনবদসু মতেং পাংই।

ঈশিংনা হকচাংগী সেলশিংদা ওক্সিজেন অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং য়ৌহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা মীৎ, নাতোন অমদি চীনগী টিস্যুশিং ফহল্লি। পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা থম্বদসু ঈশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌই। খোয়রাং-খোয়শাউনবা, পূক্নিং-লাঙতক্লবা, ৱাখল চরাংনবা অমদি থৱায় নুংঙাইতবা পুম্নমক ঈশিং গ্লাস অমা থকপদা খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইন্দিয়াদা য়ুহা হাবা অমদি নোংলৈ নুংশিৎনচিংবা মহৌশাগী মাঙহন-তাকহনবা থৌদোকশিংনা মী শিহনবদগী ঈশিং থকপা ৱাৎতুনা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী শিবা মী মশিংনা য়াম্বা হেল্লি হায়রি।

হকচাংদা ঈশিং ৱাৎতুনা দিহাইদ্রেসন তৌরে হায়বগী খুদমশিংদি কা হেন্না ঈশিং খৌরাংবা ফাওরকপা; হক্কী ঈশিং মচু ওল্লকপা; হকচাং চোকথবা; উইরি-উইরি তৌবা; কোক চীকপা; চীন-লৈ অমসুং মীৎ ইকং কংশিল্লকপা লোয়ননা মপান থোক্লিংবগী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবনি।

পীত্তঃ-পীক্লি বা অঙাংশিংদদি মীৎ অমসুং খজাই কুৎশিল্লকই; কপ্পদা পি তারক্তে; চীন-লৈ ইকং কংশিল্লকই, মপান থোকচিনবগী চাং হন্থরকই অমসুং তূম্নিংবগী মওংদা উইরি-উইরি তৌরকই। দিহাইদ্রেসন হায়বসি মী শিহনবা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমনি। মহী ওইরবসু য়ু থকপা মতমদা হকচাংগী ঈশিং ৱাৎলক্তুনা দিহাইদ্রেসন তৌরকপা য়াই। মীওইবনা য়ু থক্লুরবা মতুংদা ঈশিং খৌরাংবা ফাওরক্লিবসি দিহাইদ্রেসন তৌবগী খুদমনি। মরম অদুনা য়ু কা-হেন্না থকপা মতমদা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী মী শিহনবা য়াই।

# অরিবা এসেমব্লিগী লম্বী শেম্বীদবনা ঈশিং থুম্লে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯(ঐচএনএস):

লৈঙাক্লা ইম্ফাল সহরবু তরু তনানবা মফম অমা ওইনবা অকনবা থবক পায়খৎলবসু অরিবা এসেমব্লিগী লম্বী নীংথিনা শেম্বীদবনা অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং থুমজিল্লে। পাউনা কৈথেলগী গভর্নর রোদ মনিংদনা দ্রেন দগী পাথোরকপা ফত্তবা ঈশিংনা লম্বী থুম্বদগী মীয়াম চখোক চৎশিনদা অপনবা ওইরে।

অরিবা এসেমব্লিগী লম্বী অসিদি থঙ্গাল কৈথেল মনুংদা লৈবা দুকানশিংগী পোৎ চৈ পুবা ট্রকশিং তোয়না ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীনি। লম্বীগী নাক য়েত্তা লৈবা দ্রেন থেনগৎপদগী ঈশিং চেনফম লৈতদুনা দ্রেনশিং মবুক থন্না তুংদুনা লৈরি। লম্বীগী অকুৎপা মফমসু মতম চানা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীহৌদবনা অকুৎপা মফমশিং ঈশিং তুংদুনা লৈরে। মসিনা লম্বী অসিদা গাড়ি ময়াম চৎপদা ঈশিং কাপথোরকপদগী লম্বীদা খোঙনা চৎপা মীওইশিংদা খুদোং চাদবা কয়া তোয়না থোক্লে হায়দুনা লম্বী চৎপা মীওই খরনা ফোঙদোরক্লি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেনগী লুচিংবশিংনা মীৎয়েং চঙবিনবা হায়রি।

অমরোমদা, পাওনা কৈথেলগী গভর্নর রোদ মনিংদা দ্রেন্দগী হায়দোরকপা ফত্তবা অপুম অশাগী মহি লম্বীদা চেন্থোরক্তুনা অকুৎপা মফমদা তুংদুনা লৈবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা খুরৌ য়াম্না থাংলে। লম্বী অসিগী মফম খরদা পোট হোল কয়া লৈরিবা অসিনসু গাড়ি ময়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা থৈদোক্লবা হোৎনবদা লম্বী চৎপশিংবু খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে। লম্বী অসিগী নাকল অমদা গাড়ি ময়াম খামজিন্দুনা থমগনি। নাকল অমদনা গাড়ি মচা অমদি পেসেঞ্জর পুবা ওটোরিক্সো ময়াম চেন্নরিবা য়াম্না মরু ওইবা লম্বীনি। মরম অদুনা ইম্ফাল সহরবু তরু তনাননা থম্নবা হোৎনরিবা আই এম সীনা গভর্নর মনিংগী লম্বীদা ঈশিং তুংলিবা অমদি পোট হোল ময়াম লৈরিবা অসিসু শেমজিনবিনবা লম্বীগী নাকলদা দুকান ফম্লিবা মীওই খরনা ফোঙদোরক্লি।

# মীখলগা মরী লৈননা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯(ঐচএনএস):

লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পব্লিক মীটিং অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অয়াং লৈমা কম্যুনিটি হোল, খোইয়াংবম, মোইরাংদা পাঙথোকখ্রে।

মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা ফোমর চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মমাংগী চহী ৫ দা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা করি থবক তৌখিবগে হায়না হংবগা লোয়ননা মীচম মীয়ামশিংদা ওইরোইদবা প্রোমিস তৌদুনা ভোট খোম্বীগনু হায়খি। মমাঙ ইলেক্সনদা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা জিরো বেলেজ একাওন্ট হাংহন্দুনা একাওন্ট খুদিংদা লুপা লাখ ১৫ হাপ্লক্কনি হায়খিবদু হৌজিকফাওবা হাপ্লক্ত্রিবসি করিগীনো হায়নসু হংখি।

মহাক্লা মখা তানা দিমোনিটাইজেসন্না মীয়ামদা পীখিবা অৱাবশিং অমদি অপীকপা শেনফমগী বিজিনেসশিংদা থোকহনখিবা অমাঙবশিংগী মতাংদা হায়খিবগা লোয়ননা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল হায়রিবা লৈবাক থুগায়বা য়াবা লো অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পায়রবদি চৎনহল্লোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যু-এন্সিদা আই এন সীগী মীরেপ ওইরিবা ওইনাম নবকিশ্বরনা লমদম অসি মপুং ফনা চাওখৎহনগে হায়রবদি অফবা লুচিংবা, লৈবাক্কী ৱাখল খনবা মীহুৎ দরকার লৈ, মরম অসিনা মীয়াম্না মুন্না খন্থবিয়ু হায়না আপিল তৌবগা লোয়ননা বি জে পিনা লমদম অসিবু সী এ বি চৎনহন্দুনা থুগায়গদৌরে, মসিদা ভোট পীবা হায়বসি লৈবাক মীয়াম লমদম অসিদগী মুথৎলসি হায়বনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পব্লিক মীটিং অদুদা ও ইবোবী, সী এল পি লিদর মণিপুর; এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম, বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম; নম্বোল এ সীগী এম এল এ, এন লোকেন; লিলোং এ সীগী এম এল এ, এম দি নাসির; মোইরাং এ সীগী এক্স এম এল এ, এম পৃথিবিরাজ; ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী চ্যেরপর্সন এম দি মেহরুদ্দিন; মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সৌকট আলি অমসুং মোইরাং অমদি ক্বাক্তাগী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী আই এন সীগী কাওন্সিলরশিংনা শরুক য়াখি।

# থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯(ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা চীংনুংখোক ময়াই লৈকাইদা চহী ৭০ রোম শুরবা অহল অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে।

লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিংনা নিংথৌজম কুমার (৭০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুল্লা কৌই। মহাক হান্না নাপেৎ পল্লিদা লৈরম্বদগী হৌজিক্লা চীংনুংখোক ময়াই লৈকায়দা লৈবনি। পুলিস্তগী ফংবা পাউনা মীওই অদু থৌদোক অসি থা অসিগী ৬ কী নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা মহাক্কী ময়ুম মনাক্তা হৌবা উ পাম্বী অমদা থৌরি য়াল্লগা শিরম্বনি হায়রি।

HL-B/5314/8,9,10,11


Address: Corporate Office, Sega Road, Keisampath, Imphal-01

Manpower Requirements

Date of Interview 11th April 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Marketing Dept | Client Relation Associate | 1-2 yrs | 1 | Graduation preferably Management | 7000-10000 |
| Marketing Dept | Digital Marketing Executive | 0-2 Yrs | 1 | Graduation- Preferably Mgmt/IT/Csc | 6000-8000 |
| Marketing Dept | Content Writer | 0-2 Yrs | 1 | Graduation- Preferably English | 6000-8000 |
| Grafix | Production Incharge (M) | 0-2 Yrs | 1 | Graduation | 8000-10000 |
| Grafix | Operation Executive | 0-1 Yrs | 1 | 10+2 | 6000-7000 |
| Grafix | Installation Technician | NA | 3 | 10 Pass | Negotiable |
| Grafix | Office Assistant | 0-1 Yrs | 1 | 10+2 | 6000-7000 |
| E-Ride | Associate Manager- Imphal | 1-2 Yrs | 1 | Graduate | 8000-10000 |
| E-Ride | Associate Branch Manager (M) Thoubal&Moirang Branch | 1-2 Yrs | 2 | Graduate | 8000-10000 |
| E-Ride | Floor Supervisor(M/F) | 0-1 Yrs | 1 | Graduate | 8000-10000 |
| E-Ride | Front Desk Executive(F)- Imphal, Thoubal&Moirang Branch | 0-1 Yrs | 3 | Graduate | 6000-8000 |
| E-Ride | Office Assistant(M)Thoubal&Moirang Branch | NA | 2 | 10+2 | 6000-7000 |
| Accounts | Cashier | 0-2 Yrs | 1 | Graduate with Accounting background | 5000-6500 |
| Accounts | Security(M) | NA | 1 | NA | 5000-6000 |
| Accounts | Helper(F) | NA | 1 | NA | 5000-6000 |
| Corporate | Driver(M) | 1+Yrs | 1 | NA | 6000-8000 |
| Fitness | Manager (M) | 1+Yrs | 1 | Graduate and above | 10000-15000 |
| Fitness | Trainer (M) | 0-1Yr | 3 | N/A | 5000-7000 |
| Fitness | Trainer(F) | 0-1Yr | 2 | N/A | 5000-7000 |
| Fitness | Zumba Instructor(F) | 0-1 Yr | 2 | N/A | 5000-7000 |
| Finance | Cashier cum Accountant | 0-1Yr | 1 | Graduate | 5000-7000 |
| Finance | Relationship Officer | 0-1Yr | 2 | 10+2 and above | 5000-7000 |